# ‘স্পোর্টস চাওখৎহনবনা চীং-তম নুংশিনহনবা ঙমগনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ ঃ উখুল দিষ্ট্রিক্টকী হুংফুংদা লৈবা বক্সি মিনি ষ্টেদিয়ম অমদি টি এন এল গ্রাউন্দদা অহুমশুবা অরঙ লীগ ফুটবোল ঙসিদগী চথবা হৌখ্রে।

দিসেম্বর ১৬ ফাওবা চথগদৌরিবা লীগ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা মণিপুর টেরিয়রস ফুটবোল ক্লব অমদি ভাইখাঙ য়ুনাইটেদ অনীনা শান্নখিবদা টিম অনীমক গোল চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ বিশ্বাজিৎ, নেরোকাগী মেনেজর থাংজম অরুন অমদি নেরোকাগী চীফ কোচ গীফ্ট রাইখাংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি স্পিসিয়েল ইনভাইটিজ ওইনা শরুকয়াখি। থৌরম অসি উচেক অরাঙবু কন্নবগী পান দমদা কুমজা ২০১৪ দগী হৌদোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অরাঙ লীগ ২০১৫ অসি পিছ হায়বা থিমদা পাঙথোকপনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এ বিশ্বাজিৎনা হায়, মণিপুর অসি ফুটবোল মশান্নবু পামজবা, মশক নাইবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা মফমনি। চাওখৎ থৌরাংদা শোত্থবা কয়া লৈরবসু আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসনা লমদমসিবু মশক তাক্লি। স্পোর্টস চাওখৎহনবনা চীং-তম নুংশিনহনবা ঙমগনি। মথং চহীদা অরঙ লীগ হায়না চাউনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, চহীসিগী ওইনা ক্লিন এন্দ ফেয়র ইলেক্সন হায়বা থিমদা পাঙথোক্লিবা অরঙ লীগ অসি য়াম্না মতাং চাই। মীয়ামনা ইলেক্সন মতমদা করম্বা পার্টিনা মণিপুরবু ইং তম্না অমদি চাওখৎপা পুরক্কনি লোয়ননা মীচম মীয়ামগীদমক করম্বা মীহুৎনা থবক তৌরক্কনি হায়বদু করিমতা চিংনদনা মুন্না খনবীরগা ভোট থাদবিয়ু। মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন অসি মণিপুরগী লাইবক লেপকদৌরিবা অরুবা ইলেক্সননি হায়খি।

চহী ১৫ চুপ্না পাল্লক্লবা ঙসিগী কোংগ্রেস লৈঙাক্না মপী মপা ওইবদা মতিক চাদবদগী চীং তম অনীদা নোংমা নোংমগী থাজনদবগী চাং ৱাংখৎলকপনি। মণিপুরদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবদি চীং তম চপ মান্ননা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎকনি। ফংফম থোকপা চাকথুংশিং মপুং ফানা ফংহনগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলিবা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা পল্লদুনা, খোঙথাং অসিনা ব্লেক মনি অমদি শাশিন্নবা নোটশিং মাঙহনবগী খোঙথাংনি। খোঙথাং অসি পায়খৎপদা মতম খরা মীচম মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্ল রবসু অথুবদা লৈবাক অসি মাঙলোমদা চঙশিল্লগনি হায়না এম এল এ বিশ্বাজিৎনা ফোঙদোকখি।

# অমজুগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ ঃ

আসাম স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী ১৫ ফাওবা আসামগী গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭ শুবা নোর্থ ইষ্ট মেদিয়া স্পোর্টস ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারুনবা অমজুগী পাউমী ৭ না শাবা টিম অমা ঙসি গুৱাহাটিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

অমজুগী টিম অদু ঙসি নুংথিল মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতগী অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা ফিরাল হায়গৎতুনা লমথাখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা অমজুগী প্রসিদেন্টনা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংদা য়াইফ মঙ্গল পীখিবগা লোয়ননা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরক্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

অমজুগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবগী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি মান্নবগী এন বিক্রমজিৎ, কংলা পাউগী টি নিরমল, আই এস টি ভিগী টি লেনিন্দ্রো মঙাং, আই এস টি ভি নেটৱার্ককী রিচার্দ রঞ্জন, পোক্নফমগী এস সোনিয়া, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এন রিনা অমদি সনা লৈবাক পাউচেগী ঈ ববিনানি।

মণিপুরগী পাউমীশিংগী মহুৎ শিন্দুনা ঙসি নুংথিল অথেংবদা গুৱাহাটিদা থুংখ্রবা অমজুগী টিম অসিনা নুপা অমদি নুপীগী বেদমিন্টন, চেছ অমদি টেবল টেনিস মশান্না অহুম অসিদা শরুক য়াগনি।

নীংশিংবা য়াই, অমজুগী টিম অসিনা হৌখিবা চহীশিংদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট মেদিয়া স্পোর্টস ফেষ্টিভেলদা চহী খুদিংগী মেদল কয়া লৌদুনা চাউনা মায় পাক্তুনা লাকখিবনি। অমজুগী টিম অসিনা নুপা অমদি নুপীগী বেদমিন্টন অমসুং টেবল টেনিসকী ইভেন্টশিংদা ৱিন্নর ওইরকখ্রবনি। হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অসিদসু অমজুগী টিম অসিনা হান্নদগী হেন্না মেদল লৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু থল্লি। টিম অসি আই এস টি ভিগী রিচার্দ রঞ্জন্না লুচিংলি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস কুইজ –৩১

1. কুমজা ১৯৬৮ দা মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসদা ক্যবাগী ৪ x ১০০ মিটরগী নুপাগী রিলে টিম্না লুপাগী মেদল ফংখি। মখোয়গী মেদলশিং অদু মখোয়না থম্মোয় তাজবা এক্টিভিষ্ট অমদা পোষ্ট ওফিসকী খূথাংদা খুদোল তৌখি। এক্টিভিষ্ট অদুগী মমিং হায়ু।
2. পেলেনা ফার্ষ্ট ক্লাস ফুটবোলদা পাঞ্জল ১০০০ চনবা ঙম্বা অহানবা নুপানি। পাঞ্জল ৫০০ চনবা ঙমখিবা অহানবা শান্নরোয় অদু কনানো?
3. ইংলেন্দা ত্রিনিদাদ অমসুং টোবাগোগী হায় কমিস্নার ওইখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ক্রিকেট শান্নরোয় অদু কনানো?
4. চুড়াচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল (সী সী মীট) টুর্নামেন্টগী অথোইবা টিমদা পীরিবা অচৌবা শিল্ড অদুগী ময়ায়দা য়াওরিবা তুলা মঙাগী সনা অদু কনানা কৎখিবগে?
5. উৎলিবা ফোটো অসিদা কলম পায়রিবা নুপী অসি কনানো? ☞



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ০৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।














